# ৬ শুবা অমজু জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিটগী মরিনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা ইম্ফাল তাইমসনা লেঙদনা মেদল টেলিগী মকোক্তা লৈরি

## ফুটবোল মশান্নদা আই এস টি ভি না য়ুনিফাইদ এফ সি তাই ব্রেক্তা গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীরগা গোল্ড লৌখ্রে





**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ** ৬ শুব অমজু জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট ২০১৬ ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা অর্টিফিসিয়েল তফ গ্রাউন্দদা ফুটবোল মেটচশিং শান্নখ্রে।

ফাইনেল মেটচদা আই এস টি ভি না য়ুনিফাইদ এফ সি বু তাই ব্রেক্তা গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীরগা গোল লৌখ্রে।

ঙসি ফাওবদা ইম্ফাল তাইমসনা হান্না ফঙখিবা মেদল অদুগী অহোংবা লৈত্রবসু মেদল টেলিগী মক্তোতদি লেঙদনা লৈরি।

ফাইনেল মেটচতা আই এস টি ভি অমদি য়ুনিফাইদ এফ সি না অপীবা মতমদা গোল অমমম চন্নদুনা মান্ননা লৈখি। তাই ব্রেক্কা লাইবক লেপ্পখিবদা আই এস টি ভি না গোল ৩ অমদি য়ুনিফাইদ এফ সি না গোল অমা চল্লগা মেটচ অদু আই এস টি ভি গোল ৪–২ দা মায় পাক্লগা গোল্ড লৌখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা গোল অদুনা য়ুনিফাইদ এফ সি গী য়ারকিহোর হোংজোনা অহানবা হাল্ফগী অরোইবা মিনট ১৫ শুবদা চনখিবনি। আই এস টি ভি গী দ্রো ওইহনখিবগী গোল অদুনা গৌতম্না পেনালটিদা ২১ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ২৭ শুবা মিনটতা আই এস টি ভি গী শ্যামদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি। তাই ব্রেক্কী আই এস টি ভি গোল অহুম অদু গৌতম, এন বোয়াই অমদি বদলনা চনখিবনি। অনীশুবা অমদি অহুমশুবা কিক্কর ওইখিবা এন কুমারজিৎ অমদি ননাওনা গোল চনবা ঙমখিদে।

য়ুনিফাইদ এফ সি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কেনদিনা চনখিবনি। অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা কিক্কর ওইখিবা তামরৈরো কসর, সোলোমোন অমদি ধমেন্দ্রোনা কাওখিবা কিকশিং আই এস টি ভি গী গোল কিপর এল অজিৎনা সেব তৌদুনা মায় পাকহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। আই এস টি ভি গী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং অদুদি এল অজিৎ, এল ফিলিপস, টি সুনিল, শ্যাম, এন জি সঞ্জয়, এন সুদেস, বাদল, এন বোয়াই ,গৌতম, এন কুমারজিৎ, ননাও, কে ঐচ নবাকুমার, ও ইমো, এন বিনোয়, কে ঐচ নাওবা,চন্দ্রকুমর অমদি এন রঞ্জননি। মেনেজর অমদি কোস না অজিৎ অমদি ফজনি।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচদা য়ুনিফাইদ এফ সি না পোক্লফম গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চঙলকখিবনি। য়ুনিফাইদ এফ সি গী গোল অহুম্মক অদু য়ারকিহোর হুংয়োনা ১৪,২৫ অমদি ৩০ শুবা মিনটতা চন্দুনা হেদ ত্রিক ফঙবা অহানবা শান্নরোইসু ওইখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচদা আই এস টি ভি না সনালৈবাক গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি। সনালৈবাক্কী মহুৎ শিন্দুনা শরত্ক য়াখিবা শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিং অদুদি টি বিসোরজিৎ, এম জিটেন্দ্র, ব্রাই বিরেন, টি ঐচ অসাকুমার, এন লাঙম্বা, ব্রাই বিরবল, রজেন খুমুকচম, এল সদানন্দা, কে ঐচ সঙ্কর , এন সুরজিৎ, সুরজ, চন্দ্রাসেখর, এন রোজিৎ অমদি টি ঐচ সন্তোসনি। ওফিসিয়েলশিং অদুদি মেনেজরদা টি ঐচ নরেস, কোসতা বালকৃস্না শর্ম্মনি।

আই এস টি ভি গী গোলশিং অদু গৌতম্না ৮ অমদি ১০ শুবা মিনটতা অনী, এন কুমারজিৎ, ননাও অমদি বাদলনা মথংশিংনা ৩,১৪ অমদি ২৭ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচদা য়ুনিফাইদ এফ সি না ইম্পেক টি ভি গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

য়ুনিফাইদ এফ সি গী গোলশিং অদু বি সঞ্জয় সিংহ, ধমেন্দ্রোনা , য়াকিহোর হুংজো অমদি সোলোমেন্না মথংশিংনা ৪,১৪,১৭ অমদি ২৭ শুবা মিনটতা অমমম অমদি ইম্পেক টি ভি গী জোনিনা আউন গোলদা ২১ শুবা মিনটতা অমা চনখিবনি।

ইম্পেক টি ভি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা তাতোন্না ২২ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদনা আই এস টি ভি না ইম্ফাল তাইমস গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। আই এস টি ভি গী গোল অহুম অদু দব্লিউ রোকিচন্দ অমদি নিজামুদ্দিন ১২ অমদি ৩০ শুবা মিনটতা অনী অমদি ইম্ফাল তাইমসগী সনাজাওবনা ৯ শুবা মিনটতা আউন গোলদা অমা চনখিবনি।

হয়েং স্পোর্টস মিট অসিগী অরোইবা নুমিৎতা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম লুৱাংশঙবমদা ক্রিকেট অয়ুক্তগী শান্নবা হৌরগনি।

**MEDAL TALLY**

| Media House | G | S | B | Total |
|---|---|---|---|---|
| Imphal Times | 3 | 4 | 1 | 8 |
| ISTV | 3 | 3 | 5 | 11 |
| IMPACT TV | 3 | 2 | 1 | 6 |
| Sangai Express | 3 | 1 | 1 | 5 |
| Sanaleibak | 2 | 3 | 1 | 6 |
| Poknapham | 1 | 2 | 0 | 3 |
| Paojel | 1 | 0 | 0 | 1 |
| Kangla Pao | 1 | 0 | 0 | 1 |
| Ichel Express | 0 | 1 | 0 | 1 |
| DDK | 0 | 0 | 1 | 1 |
| UNIFIED FC | 0 | 1 | 0 | 1 |

# কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেলগী মরাথন রেসতা এম দি ইগবালনা মকোক তাখ্রে

## ফুটবোলদা বিষ্ণুপুরনা ইম্ফাল ৱেষ্ট মায়থিবা পীখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ** কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা পাংথোক্লিবা ৫ শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৬ গী কংলৈপাক মরাথন রেসগী মকোক লিলোংদা লৈবা এম দি ইগবালনা ৫১ঃ৪৫ .৪৯ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা মকোক তাখ্রে।

খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়ম মমাংদগী এঠলেট ১৫০ না শরুক য়াখিবা মরাথন রেস অদু ইম্ফাল ৱেষ্টগী এদিসনেল এস পি ওপরেসন টি ঐচ বিক্রমজিৎনা লমথাখি।

অনীশুবা পোজিসন্না য়াইরিপোক্তগী টি ঐচ সঞ্জিৎনা ৫১ঃ৪৭.০৪ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা অমদি অহুমশুবা পোজিসনসু য়াইরিপোক্তগী এম দি অমিরখান্না ৫৩ঃ৫৮.৭৬ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা থার্দ তাখিহায়না এসোসিয়েসন অসিগী মেদিয়া এন্দ পব্লিসিটি সব কম্মিটিগী কো কনভেনর ওক্রম হিয়াইনু চনুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা ৫ শুবা কংলৈপাক ফুটবোল ত্রোফিগী মেটচ অমদা দি এস এ বিষ্ণুপুরনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

দি এস এ বিষ্ণুপুরগী গোল অনী অদু এম সনাতোম্বা অমদি এস ব্রোজেন্দ্রো মথংশিংনা ৩১ অমদি ৫৩ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা টি ঐচ কিষন্না ৬২ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

৫শুবা কংলৈপাক কাং ত্রোফিগী মেটচশিংদনা আই দব্লিউ কে কে উচেকোন্না য়াইস্কুল পাঞ্জল ২১–২০ দা অমদি এন বি কে এ না সি আর সি পাঞ্জল ৩৬–৯ দা মায়থিবা পীখ্রে। ফাইনেল মেটচতা এম বি কে অমদি আই দব্লিউ এ কে শান্নরগনি। অনীশুবা কংলৈপাক কাবাদি ত্রোফিগী ফাইনেলদা এ এল য়ু সি অমদি ব্রাই এস সি সরত শান্নরগনি।

মরিশুবা কংলৈপাক চৈবি য়েনদম্নগী নুপামচাগী কে জি ৩৩ দগী ৩৯ গী মিসিখোলগী এন ধঞ্জয়না ফার্ষ্ট তাখ্রে।

কে জি ৪০ দগী ৪৬ দা টি মাষ্টতা ব্রাংথোইঙম্বনা ফার্ষ্ট তাখ্রে। নুপীমচাগী কে জি ৪৬ দগী ৫৩ গী দা মিসিখোলগী কে জিৎমালানা ফাষ্ট তাখ্রে। কে জি ৫৩ দগী ৬০গীদা মিহুলগী এম সুইতিনা ফার্ষ্ট তাখি।

অহানবা কংলৈপাক থাঙ তা চাংদম্নবা অমগী নুপাগী –৭৪ কে জি দা পহুলাসিগী দব্লিউ দুহেসনা গোল্ড লৌখ্রে। ফুনবা অনীশুবা কে জি ৪৯ গীদা কে এম টি এ কে ঐচ থোইথোইবনা গোল্ড লৌখ্রে।

কে জি ৫৭ গীদা পহুলাসিগী আই থোইথোইবনা গোল্ড লৌখ্রে।

জুনিয়ার বোইজ ফুনবা অমগী –৪১ কে জি দা কে এম টি এ পালেমগী এল খেলেম্বা মৈতৈনা গোল্ড লৌখ্রে। –৪৯ কে জি গীদা কে এম টি এ গী ব্রাংবা থৌনাওজম্না গোল লৌখ্রে। –৫৩,–৫৭ অমদি –৭০ কে জি দা মথংশিংনা কে টি টি সি এ লাইরিকয়েংবমগী এন বিদ্যায়াসগর অঙোম অঞ্জিকা কোংজেংলৈকায়গী এল মাইকেল সিংহ অমদি ঐচ এল টি এ য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী ব্রাই রুহিনকুমার সিংহ না গোল্ড লৌখ্রে।

# ইন্টর ভিলেজ ওপন ভোলিবোল টুর্নামেন্ট

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ** রিসেন্ট য়ুঠ ক্লব মোইদাংপোক্পা শীন্দুনা ক্লব অসিগী ভোলিবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ইন্টর ভিলেজ ওপন ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা অহাবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এন ব্রাই দি সি খাইদেম্না কে ব্রাই দি সি কাচিলখুলবু সেট ৩–০(২৫–২৩,২৫–১২,২৫–১৯) দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

অনীশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচদা ঐচ ব্রাই দি সি সি এল হৈক্রুজম্না ব্রাই আই জি পি কোন্থৌজম সেট ৩–০(২৫–৯,২৫–১০,২৫–১৮) দা অমদি অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচদা আর ব্রাই সি মোইদাংপোক্পা ব্রাই ভি এ ঙাইরংবম সেট ৩–০( ২৫–১৬,২৫–২০,২৫–১৪) দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

অতোপ্পা শান্নগদবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা এন ব্রাই ভি এ নাউরেম লাক্তবদগী ব্রাই দি সি য়ুরেম্বনা ব্রাক ওভর ফঙলগা ক্বাটর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

# এ এফ সি 'দি' লাইসেন্স কোর্স

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ** এ আই এফ এফ না কন্দক তৌদুনা নুপী কোসশিংগী ওইবা এ এফ সি 'দি' লাইসেন্স কোর্স ইম্ফালদা চহী অসিগী মে গী অহানবা চৈয়োলদা পাংথোক্লগনি হায়রি।













Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*